

"অঙাং খুদিংমক কলাকার অমনি। লুরিবদি, মহাক্না চাউখৎলকপগা ইরোয়ননা কলাকার ওইন'সুম লৈব'দুনি।"

*- পেব্লো পিকাসো*

## অঙাওবগী খোঞ্জেল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

করিনো খঙদনা
পঙলাওদা লাওই
ঐসু খঙদে
মাসু খঙদে
কনাসু খঙদে।
মরমদি লৈ
মরমদুনি থিরিবা
খঙদবা ঐখোয়না
খঙনবা থিরিঙৈ
ঙসিদি মালেমসে
মশক অমা ওল্লে।
ফজখ্রবা মশক মাঙখ্রে
থিরুই ঐখোয় নখোয়
মীয়াম পূন্না,
মালেম অসি
কোকথোং নারদুনা,
মশম মনা ইফা-ফারদুনা
মকোক মরূ ইচাও-চাও।

## মেরা থা-ও থানিংথৌ

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

মেরা থা-ও নুংওনথা
কৌগে নঙবু থানিংথৌ
মেঙনা ঈংনা নিংথিজবী
পোইরে তাম্না লৈখ্রবা
লোইবী চীংগী লমদমদগী
নুংশি মপাউ পুরকউকো।
চীংগী ইচিন ইনাওশিংগী
অৱা নুংঙাই ৱারী কয়া
নাপ্পা চিক্লা তম্বীরো
থাবলগী ইপোমলকসিদা
মেরা থাওমৈগী নুংশিরা মঙাল্লকসিদা।
চীংগী ইঙাই নুংশিবী
লোইদাম কুইরে উরক্তবা
লাইজ ঈশিংতা ওইরসু
নুংশি খুদোল লৌবীরো।
খৌরাংনবু ঙাইজরকপা
চীংমী তম্মী অনীগী
'মেরা হৌচোংবা' লাক্লনি
নুংশি লিপুন চেন্নরনি।
অকাউ পৈরে চনখ্রবা
ৱারী শিংবুন থোক্লসি
নিংথৌ কোনগী ৱারীদা
নখোয়গী ৱারী য়াওরিনে
মোইরাং কংলৈরোলদসু
নখোয়গী ৱারী চিংখ্রদে।

## অমুর ফালকোন

**—জয়কুমার তখেল্লম্বম**

ওলাং থাসু লোইখরে
নোংজু থাবুম হৌখ্রে।
ফৌনানা লেঙ-লেঙ
য়েংখিবা খুদিং
চীংশাং নাপোম।
চীংচেপ খুদিং পামলৌনি
মচা খায়না উরি
লংলাদা লেংবা লৈরাংগুম
উরি'মখৈ মীৎমাংদা
চীংমায় খুদিং
ফৌনানা পুমঙাংনি।
পাইরক্লে অমুর ফালকোন
চীংলোন মাপন লান্না।
চাক্তামিন্নরি তথক্লা
মতা উরিৎ মিৎ চাননা।
কৌজেং হারৌ থিরি হরাওনা।
ঙাইহাক্তসু পোখাখো
লোক্তাক পাৎতা
নমীৎ পেন্না য়েংলমখো
ও! অমুর ফালকোন চনু।
শাৎকায়রক্লিবা থরো-থারিকথা
হৈকক য়েল্লি মপালসু
থুমহি চেন্দ্রবা ঈশিংনি,
নবুক থন্না থকখো।
থিবা লেপকনু
ঈরোলনুংগী থরো চনু।
খোইথুম্না হাওবনি
মায়থোঙ হাইগৎলু উরিদু
লমকোয়শিংগী অৱা পোৎথাফমনি
শেন্দ্রা টুরিষ্ট হোমনি
তাক্লি টুরিষ্ট গাইদনা।
য়ারেকফমনি নোংথাং লৈমগী
মচু তরেৎনা লৈতেংলবা
লোক্তাক পাৎকী ফজবা।
ৱারী শিংবুন শান্নৌ
অৱা পোখানবা
খোইদাজবা য়াওরবদি
খরসু ওইনজৌ
থম্মোয় মশক খঙদনা
হেক্তা থম্মোয় পীরুনু
মুন্না খন্থবা তম্মু।
হৌজিক মতমগী নহাশিং
নৌজরিবী নুপীজাশিংবু
ঈজৎ তেমশিংনবিরে,
হাত্তুনা হুন্দোকপীরক্লে
থিঙমদ্রবা মশীংনি।
হো ফালকোন চনু তমেংলোং।
য়েলহৌমীগী চৎনবী মাঙখ্রে
নুপীজাশিং ফিজেৎ চাকশেৎসু
হংনীংবা ৱাহংনা পরেংনি
অনী-অহুম থোক্লা
নৎত্রগা পামজবগী খুদম্না
হংনীংগনি নঙসু
পুন্সি কয়াগী ৱারীনি।

## চঙজবা

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

লেপ্তুনা হৈথরকপা কোরোনাগী নোংজুনা
ঈমাই চোল্লে লায়েংশঙগী তুরেলশিং
কোভিদ-১৯না নৈহৎপীরবা থৱায়শিং
ঈমাই পাদুনা চেনবা হৌরক্লে;
অশাউ খান্বী মৈহৌরকপা মীৎকুপ্তা
থিঙেলদা তাইনবদি পাঙ্গল থোক্তা
শোল্লবা নাশিখোংদা তাইনবীরক্কদ্রা খল্লুবদা
মিপাইদবা ঙমদেদো তনিক্লবা থম্মোয়সে;
অসুক কুইরক্লবা মতমসে
অহিং মিৎশেল খাঙ্ খাঙ্দুনা
হোৎনজদুনা লাকপা পূন্নমক্তো
উৎতা ঘী হৈবা তারদ্রনে?
চান্মা চনী চহুমগী খুজিংদা
থোনগৎলকপা পোৎলুম অরূম্বা
শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোল্লবরা
হেদো নাহে চল্লক্লবদি;
হে লাইরেম্বী ইমা ইবেম্মা
চঙজরি নহাক্কী নখুয়া থম্বালদা
খূবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা
অমুক্তদি তাবীযুগবা তাইবঙগী খোল্লাউসে!
লাইরমলেন্দগী দোলাই থক্তা লেঙলক্লগা
মীরম্লেন্দা দোলাই থম্বীরমগে নীংলিবা
করি মতৌ কৌবগেনে ইমা
পেনবীদ্রিবরা মীশি মীনা উবসে?
অচুম্বগীদমক্তা লেপ্লিবী ইমানি নহাক্তি
অরুবা ঈশিংনা মতাইদা
অনৈবা ঈশিংনা ঈয়াইদা
চেঞ্জরবসু মতম খরদি,
পোলোইদদি অচুম্বা খক্তনা
লানঙম ফিরাল থেৎলকপা
ঙমজবা পাঙ্গলতদি পীনবীয়ু
ইমা নহাক্লা নচা ঐখোয়দা।

## কোভিদ-১৯

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

হে শকউদবা মপু!
নঙগী থৌরাংসিবু করিনো?
মীপূম খুদিং তংলগা নঙনা নুংঙাইরি
নঙগী থৌরাং ওইরদি পেঞ্জদে
মালেমগী মীপূম খুদিং ৱাহনবা
হে শকউদবা মপু! য়েংবা ঙল্লিব্রা?
মীওইবনা চাউবা তান্নবগী
মীওইবগী থৌরাং ওইরবা
মালেমগী মীয়াম হাৎনবা হোৎনরবা
মদুনা করি তোংজবা লৈগনি
মীয়াম্না থৌরাংনা হংনীংলি
ৱাহংগী পাউখুম পাল্লি।
অসুক তমথীবা লায়ওং লাইচৎ
মালেমদা করিগী খুদোল তল্লিবা
মীপূম খুদিংনা নীংঙমদা শোন্নরিবা
হে শকউদবা মপু! হে মীওইবা!
মালেমগী মীওইবা মুখৎলগে খন
নখোয় অমনা থৌরাং তৌব্রা?
নোংমগী লেপ্তুনা শিরিবা মীয়াম
অয়ুক-নুংথিল কপ-লাউবগী খোঞ্জেল
মালেম ইমা খাঙবা ঙমদ্রে
অৱাবগী খোঞ্জেলনা অতিয়া লানখ্রে
মালেম ইমানা হিক-হিক কপ্লীবা
হে শকউদবা! হে মীওইবা য়েংঙল্লিব্রা?
হে শকউদবা! নঙগী থৌরাং ওইরে ফহনবীরো
হে মীওইবা! নহাক্কী খূৎশেম ওইরে লোইশিনবীরো
চনীং তানা হিংবা ঙমদ্রবা মীওইবা
পাখৎপনা লাম্থী ফায়রবা মীওই
থম্মোয়দা অনৌবা য়েন্নিং হুন্দুনা
পোকপগী মহয় য়ানবা ওইরসনু।

## সাবিত্রি

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

থৌনা ফবীনি নঙদি
কথোকপনি নঙগী পুন্সিদি
মীনুংশি চাউবীনি নঙদি
তোল্ল-তারবশিংগী মরুপনি।
কল্লকচৈ হনবা লৈতবা
নঙগী নথৌনাদুবু
য়েক্লবনা পুমকোয় কোয়শিল্লবসু
চৎখি নঙনা চৎকদবা লম্বীদুদা
পাঙথোকখি থবক কয়া অমসু
ঙল্লরোইদবা মীনা তৌবা।
হোৎনবা কনবী, অখাঙ কনবী
নতিক নগুন কয়ানা লৈতেংলিবী
নুপীনা মপান থোক্লদ্রিঙৈ
নুপীনা লাইরিক তম্নদ্রিঙৈ
হোৎনখি নঙনা নুপীশিংবু
পীনবা লৌশিংগী মঙাল
হনবা লৈতবা থৌনানা
অথোইবীনি নঙদি নুপীলক্তা
লৈহৌরনি নঙগী মিংলেনদি
নুমিৎ-থানা মুৎত্রিফাও
ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ওজা
সাবিত্রি বাই ফুলে।

## পলেম-ও

**—নরেশ লাইময়ূম**

ফৌনানা লেং লেং চৎপা মতম
পলেম নঙবু নুংশিবী
নপারি নমোম্না হরাওবা থা
নোংজুগী অহিং অসিদা
শমলাং চোইনা ফাদুনা
কুমগী নোংনা কোকথক্তা
হৈথারফাও খঙদনা
তেংথাদুনা চৎলিবী পলেম-ও
নপারি পাঙ্গন চাউরক্লে
করি অৱাৎপা লৈরবগে
তাকপীরো নচা ঐখোয়দা
অৱা মৈশা পুরনু
তেংথাদুনা কপলনু হায়বীরোগবা পলেম-ও

মতম মতমগী ৱাখল

# অনীশুবা খোংজোম পর্ব্ব ফেষ্টিভেলগী খোঙ্গুল লীবা




মীওইবগী ৱাখল পূক্নিং অনী অসি চপ মান্ননা চৎমিনরবা মতমদতা পাংথোক্কে নীংবা থবক থৌরম মায়পাক্না পাংথোকপা ঙম্মী হায়বসি মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ মিউজিক সেন্টর (MMDMC) সগোলবন্দ খম্নাম বজার, সোয়াম লৈরক্তা লৈবা অসিগী শঙলেন্দা অনীরকশুবা ওইনা সেপ্টেম্বর ২১,২০২০ অসিদা পাংথোকপা খোংজোম পর্ব্ব ফেষ্টিভেল থৌরম অসি য়াউজরুবদা ময়েক শেংনা উবা ফংখি। থৌরম অদুবু শরুক য়াজখিবদগী খঙজ খিবা ৱাফম্নি। ডান্স সেন্টর অসিনা চহী খরগী মমাংদগী লেপ্তুনা লমদমসিগী মমি শান্মী, তন্দনগুম্না কুফেৎ কাফেৎ হিংলিবা লমদম অসিগী আর্ট ফোর্ম অমগী খোঙ্গুল লীরক্লিবসি মতম কুইরক্লে। ঙসি ফাওবা মখা চৎথদুনা লাক্লি, মসি মমল য়াম্লবা কথোকপা অমনি ।। থাগৎপীনবা মীসু মশীং য়ামলকত্রবা মতম অসিদা তঙাই ফদনা পাংথোকখিবা থৌরম অসিগী মরমদা খরদং ফোংদোকচরি ।

মণিপুরদা মতম অমা মফম চাউনা কল্লম্বা খোংজোম পর্ব্ব ঙসি তাবীনবা লৈরক্তবদগী শকপীনবা মীসু মশীং য়ামলকত্রে। মণিপুরী ফোক সোং হায়দুনা হৌজিক কন্না শোন্নরিবসি খুন্নুং ঈশৈ নৎত্রগা খুল্লং ঈশৈ, পেনা ফমশক ঈশৈ, মোইরাং পর্ব্ব নৎত্রগা মোইরাং কংলৈরোল শৈশক নৎত্রগা মোইরাং শাই অমদি অতৈ লাই হরাউবা থৌরমগা মরী লৈননা শকপা ঈশৈ খরসি নত্তনা মণিপুরী মৈতৈশিংগী ওইবা ঈশৈ লৈত্রে। লমদমসিগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইরিবা চকপা কাঙলুপকী ওইনসু শৈশক খরা লৈজরি। অতোপ্পা লমদমসিগী চীংমী ইচিল ইনাওশিংগী চীংনুংগী ওইবা শৈরোল ফোকসোং খরগা লৈরি। খরা অসিনা মণিপুরী ফোকসোংগী মফম অমা কন্দুনা লাকচবনি। অদুবু হোংলকলিবা মতমগী অওনবশিংনা মতম অমা শাহৌ ফনা, পাম্না তাবীরম্বা,শক্নরম্বা অদুঙৈগী ঈশৈশিং মমি শামথরক্লি। উনা উনা, তানা তানা ইনাক্তগী অশুম লাপথোকখ্রি। ঐখোয় কনা অমত্তনসু খন্থরুবা তৌদ্রি ।

লুপথরক্লিবা হিগুম্লবা নাৎকী ওইবা ঈশৈ মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ মখল অসি লৌখৎচদুনা মীওই অহুম্না মান্নদবা ঈশৈগী ৱারী মতাং মথং মথং মীয়ামদা তাহন্নবগীদমক ফেষ্টিভেল অমা ওইনা সঙ্গীট নাটক একাদেমী নিউ দিল্লিগী অপীকপা শেন্থং মখাদা মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ মিউজিক সেন্টর (MMDMC) গী থৌ পুরীবশিংনা মাঙখিগদৌরবা আর্টফোম অসিগী খোঙ্গুল লীদুনা ঙাক শেলহৌনবা, রেকোর্দ লৌশিলহৌবা, মীয়ামদা তাহন্দুনা নীংশিংনবা থৌরম পায়খৎপীরিবসি মণিপুরী কাঙলুপ অসিগী মমল য়াম্লবা থৌদাং অমা পাংথোকপনি। হৌজিক ৱাফম খরা মাঙদা লাকই মদুদি অরীবা লৈরম্বদগী অনৌবা থোকলকপনি । অনৌবা লাকপদা অরীবগী খোঙ্গুল মুৎশিল্লকপা উই। অরীবা পোৎতা মমল য়াম্বা য়াওই। অরীবা পোৎনা লুপখিবদা মমল য়াম্বা পোৎসু লোইনখিগদৌরি। মসিদগী কন্নবা পাম্বে, থৌরাং অসি অসিগুম্বা নোংমখক্কী ওইনা পাংথোকলিবা থৌরমশিং অসিনা কনবা ঙমগদৌরিব্রা অমদি শেন্থং খরা অসিনা হিংহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসি ইতোমখক হংজবদা অকীবা ফাওরি। পাউখুমসু পীবীনবা লৈতবনা ইথন্তনা পীজবা তারি । মীরোল অসিমদি কাবক কাবক খঙখিগনি মীরোল অনী শুরকপদদি খুল্লং ঈশৈ, পেনা ফমশক ঈশৈ, মোইরাং পর্ব্ব, মোইরাং কংলৈরোল, খোংজোম পর্ব্ব মশক খঙলরোই। ৱারী ওইনা লীহৌবা নত্তনা খোঙ্গুল ফাওবা থীবদা ফংগদবা মানশিনলকত্রে।

হন্দক, মীরমদা মহৈ তম্লিবা ইনাও অমখক্লা অচম্বা খুদোল অমখক ঐগীনি হায়না পীরৈ । করিমত্তা নত্তে ইনবা কলম অমগা লিক্লি মখুম হাংনবা (ওপন্নর) অমগনি । পোলম অনী অসি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শাবনি হায় । লাইরিক তম্লিবা হাইস্কুল নৎত্রগা কলেজগী থাক্তা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বগা লোয়ননা প্রদক্সনগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবা অরায়বা পোৎলম অমা শাবা তমহন্নবা সবজেক্ট অমা য়াওহনলক্লিবা হোংলক্লিবা এদুকেসন পোলিসিগী মওং অসি উরুবদা তম্নিংঙাই ওইখি। ঐখোয় মণিপুরগী মমি শান্লিবা মাঙথরক্লিবা আর্টফোম মায়াম অসি এদুকেসনগী পোলিসিদা য়াওহল্লগদি হৌরক্লিবা মীরোলদা খঙহন্দুনা তমহৌনবগী পাম্বে অমা ফংবা ঙমগনি। মণিপুরগী স্কুলশিংদা থাং তাদি সবজেক্ট অমা ওইনা তমহল্লে । মসি অফবনি। থাং তা খঙহৌবা তমহৌবগা লোয়ননা আর্টফোম অসিমদি হিংলগনি। জগোয় ঈশৈসু মতৌ অসুম্না হাপচিনবা য়াই। মতম অমদি জগোয় ঈশৈ সবজেক্ট অমা ওইনা য়াওহন্দুনা হাইস্কুলগী থাক্তা তম্নখি । করম্না মদু লৌথোকখিবনো ? অমুক হান্নগুম্না য়াওহন্দুনা তমহনবদা অফবা ওইগনি।

চহী খুদিংগী গভর্ণমেন্ট ডান্স কলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরদগী এম এ ডান্স পুথোক্লিবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর হাংদোক্তুনা বি.এ, এম এ ময়াম অমা তোঙানবা আর্টফোর্মশিং তম্বা লোইদুনা দিগ্রি হোলদর ময়াম থোকলক্কদৌরিবা অসিগী করম্বা মাইকৈদা মখোয়গী মফম থম্বীগদৌরিবগে হায়বা ৱাহং অসি লাক্লগনি। চহী অমা অনী অসিগী মনুংদা মণিপুরী পারফোর্মিং আর্ট ফোর্মশিংগী মহৈরোশিং মশীং খঙদনা থোক্লক্কদৌরি । পোলিসি অমা ওইনা শেম্বীহৌদুনা তুংকোইনগী কান্নবা য়াবা পোরম থম্বীদ্রগদি কলচরগী মহৈশং হাংলুবগী মহৈ ফংলক্তবসু য়াই। মহৈ তমজরিবশিং অসিগী কান্নফম শেমহৌদ্রগদি তমলুবগী মহৈ লৈরোই।

লমদমসিগী মতীং লৈজনা, লৈহাউ ফনা মরোমদোম চাউখৎনা লৈজরকপা আর্টফোর্ম ময়াম অসি সঙ্গীত নাটক একাদেমীগুম্বা, মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টকুম্বশিং অসিনা ফংহল্লিবা অপীকপা শেন্থং খরনা সেমিনার খরা, ৱার্কশোপ খরা, ফেষ্টিভের খর মতম মতমগী শিল্লগা পাংথোকপা থৌরম অসিনা হিংহনবা ঙমলগদ্রা হায়বসিসু খন্নবা চুম্মী। মীরমদা হাংবা মহৈশঙশিংনা অতোপ্পা মাইকৈ অমদা লাইরিক্তা লোইননা প্রদক্সন খরসু পুথোকচনবগী (ওলটরনেটিব এরেঞ্জমেন্ট) লম্বী তাকপীরিবা, তমহল্লিবা অসি নামুনা ওইনা লৌদুনা হৈহনবা খঙহনবসু চুমগদ্রা খল্লি । ঙরাংনা ঙসি ওইরকই, ঙসিনা হয়েং ওইদুনা চৎখিনি । ঐ ঐসু চৎখিনি। মশক নাইবা ওঝা গুরু, খঙ হৈরবা অহল লমন কয়া চৎখি । মখোয়নদি মমল য়াম্লবা নাৎকী পূক্কে লনগৈ কয়া থম্বীরম্মী । ঐখোয়নদি থম্বীরম্বা পোৎলমশিং লোইশন খোমজিনবা হৈতবদগী চাইখাইরম্লগা, তূমহল্লম্লগা চৎপদা তারি । য়োকখৎপা, তুং কোইনগী মাঙখিদনবা থমজিন্নবা ৱাখল তৌহৌদবনা উনা উনা কয়া অমসু মুৎশিল্লকই। মীরমগী ওইখিগদবা কয়া অমসু উবগুম তৌই।

তাঙলবা মতম অসিদা, নাৎকী পোৎশক অমবু কনগনি য়োকখৎপীগনি হায়না চোংথোকপীরক্লিবা মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ মিউজিক সেন্টর, সগোলবন্দ খম্নাম বজারদা লৈববু মতম পূম্বগী শৌগৎচরি। সেন্টর অসিগুম্বা কাঙলুপ মশীং খরা য়াম্না লৈরগদি খোংজোম পর্ব্ব অমদি অতৈ মপাঙ্গল শোন্থনা হিংলিবা লমদমসিগী ফোক আর্ট মখলশিং অসি মশা খরদি তেকখৎচবা ঙমগনি খল্লি। থিওরি ওইনা মতম অমদগী চৎনরকপা ওঝাগী নাক্তা চৎচরগা তমজরিবা মহৈ তম্বগী মওংদগী হৈজরিবা খঙজরিবা মচৎ অসিগা কলেজ অমা ওইনা হাংলগা তম্বগী হৈরকপা মচৎ অনীগী খেন্নবা অসি, উবা ফংলি। মতমদু অমুক হল্লকখিগদ্রা? এন্দ্রোইদ, স্মার্টফোনগী মতম অসিদা অনৌবা ঝুম এপ্প, গুগল এপ্প ময়াম অমনা মফৈ ফেনজিল্লক্তুনা য়ূমদা ফম্না ফম্না তম্বা ফংবা,কৃন্ধে অমগুম য়েংনবগী মওংদা তম্বা মতৌ অমসু লাক্কদৌরি। লাক্লিংবা লাকচসনু অনৌবা পোৎসু পুথোকলকসনু মতমগী য়াওলনি। ঐখোয়গী নাৎতি ঐখোয়না কঞ্জবা তাই। মসিদং কাউদ্রগা লোইরে।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৬৯

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

রুপ্পন বাবুনা মখুৎ থাঙ্গৎলদুনা হায়, "কদাইদগীনো মসিগী বোক্স শাবসিবু? য়াম্না মীনুংশি হৈতে।"

মশা-মউ ফবা য়াম্না নোইবা মীওই অমা মহাক্কী মমাংদা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মীওই অদু য়েংবদদি য়াম্না তমথিরমগদবা মাল্লি, অদুবু মহাক্না ৱা ঙাঙলকপা মতমদদি অচৌবা অপুম্বা তরবুজ অমদৌনা তৌই। মে-মে লাউবা খোঞ্জেলদুনা হায়রকই, "রোহুপুরদগীনি বাবু সাহব। ঙসাইদগী নিসপিতর সহাব উন্নবগীদমক লেপ্লম্বনি। অদুবু লুপা তরাদগী তাউ হায়বা য়াদে।"

রুপ্পন বাবুনা হায়, "য়াবিরো সিংহ সাহব, লুপা অনী পীরম্বদু লুপা ২০ য়ৌখ্রগনি। মসিদা করি অশোইবা লৈরিবগে? অদোম গেহু য়োনবা য়াওখ্রবরা?"

মফম অদুদগী খৌনাউ শেগায়বমখৈ লাউরদুনা হায়রকই, "লুপা অনী?" মহাক কন্না নোক্লকই, "হৌজিক অদুক হাক্লদি ইকাইবা পীগনু রুপ্পন বাবু?"

অনোইবা নুপা অদু রুপ্পন বাবুগী মওং-মতৌ অদু উরগা ইনোৎ অমা হাপকৎলক্তুনা হায়রকই, "হৌজিক বাবু সাহব, ঐগী ওইরিবা ফীভম অসিসু হায়ফেৎ য়েংবিয়ু। চহী কয়াগী মতুংদা মফম অসিদা বোক্স অসি ফংবনি। লুপা ১০ অসোমদা চৎখ্রগদি করি লেমহৌগদৌরিবনো?"

ৱাফম অদু ফাগি ওইনা হৌদোকখিবনি, অদুবু রুপ্পন বাবুসু হৌজিক বোক্স য়োল্লিবা অদুগী মতেং পাংবদা নুংঙাইবা অমা য়াওরকই। মহাক্না খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "অশেংবনি হায়রিবদু। করি লেমহৌগদৌরিবনো? হৌজিক্তি য়াবিরো সিংহ সাহব, লুপা অনী মখায়দা ৱাফম য়ান্নরসি। অদোমগীসু মাংজবা ওইদ্রে অমদি মহাক্কীসু।" অনোইবা নুপা অদুদা হায়, "চৎলো, লুপা ২৫ হৌজিকমক সিংহ সাহবতা পীরো... অদুগা মিথাইরা করিনো খরসু পীখো।"

চেনখ্রিবা নুপা অদুদা সিংহ সাহবনা কৌরদুনা হায়, "তাবরা, মিথাইকা অমত্তা পুরক্কনু।" মহাক্না ৱাফম অদু য়াম্না ঈংনা-তপ্না খঙহন্নবা হোৎনরম্মী, "অথুম অহাওনেনা ফত্তবা থাওনা শেম্বনি, করি-করিনা শেম্লিবনো হায়বসু খঙদে? ঐদি হামেংগী মনম নমথিবা অদুবু লাকপরা খল্লি।"

রুপ্পন বাবুনা খজিক নকশিল্লকই। য়ূমগী ওইবা ৱারী শান্নরকই। মহাক্না হংলকই, "য়ুমজাওগীদি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে?"

মহাক্না য়াম্না নিংবা কাইনা হায়, "য়ুমজাও হায়রনু, হৌজিক্তি য়ুম ওইনা হায়বিরো।" হায়রদুনা মহাক তুমিন্না লৈখি। অদুগা শিতক তাবা খোঞ্জেলদা হায়রকই, "লোয়না তেক কায়রে। খল্লিবনি ফীভম অদুদা অদুমক নীলাম তৌরসিরা হায়না।"

রঙ্গনাথকী থম্মোয়নুংদা অদুমক শাওরদুনা লৈরম্মী। লাইশঙদা তাখিবা মচিন থীরকখিবা ৱাফমশিং অদুনা মহাক কনাগুম্বা অমগা অদুমক খৎনবা পাম্লম্মী। মহাক্না হায়, "শেল অদুক য়াম্না চারগা হৌজিক ফাওবা য়ুম শাবা লোইদ্রিবরা?"

সিংহ সাহব ৱাফম অদুদা করিসু শাওবা লৈতে। শুপ্নগী পীশুমনা ইঙ্গিৎ পীরদুনা রুপ্পন বাবুদা হংলকই মহাক অসি কনানো? রুপ্পন বাবুনা হায়রকই মহাক ঐখোয়গী দাদানি- ইখুরাগী মচানুপানি। মহাক্কী ৱাফমদা শাওবা তৌবিগনু। কা হেন্না লাইরিক হৈবনি, মরম অদুনা করি-করিগুম্বা মতমদা তায়োন্নবা ৱা ঙাঙবনি। মহাক্না থাজবা পী, "অদুবু করিসু কাইদে, অমবু ওইরো অমবু ওইরো মহাক ঐখোয়গী য়ুমগী মীনি।"

অনোইবা নুপা অদু হল্লক্লম্মী। মহাক্না হেক লাকপগা লুপা ২৫ সিংহ সাহবকী মখুৎতা পী। লুপা ২৫ অদু লুপা চৎপী ঙাক্তগীনি। মহাক্না ৱা ঙাঙলম্বা অদু লেপ্লদুনা শেল অদু য়াম্না নিংথিনা মশীং থীরম্মী। য়াম্না ফত্রবা লুপা চৎপী অমা য়াওরম্মী, মদুবু মহাক্না ওম্থোকহল্লম্মী।

অদুগা ফুরিৎ মনুংগী ফুরিৎ খাউদা তপ্না হাপচিনখিরম্মী।

রঙ্গনাথনা মহাক্কী মমায় য়েংদুনা লৈরম্মী। মহাক্না হায়, "খুন্নাই অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি নঙ খঙলবা নৎত্র? মতম অমদা ওফিসরনা শেল চাবদা মীওই লিশিং কয়ানা ওফিসর অদুদা কোয়শিল্লম্মী। শেল পী অদুগা শেল পীরকপা মীদুদা থাগৎপগী মহুৎতা তাইবঙমপুদা ওইনা থাগৎপা ফোঙদোকই। হৌজিক কনামত্তা ইনাক্তা লাকখিদ্রে। কনাগুম্বা খরা লাকপা হায়রগনা রুপ্পন বাবু মঙাইরে। কনাগুম্বা মী অমা পুরগা লাকপা মতমদা ৱাফম কয়াদা অকায়বা থোকপা হায়বদু ওই।"

রুপ্পন বাবুবু থেল্লদুনা মহাক্না অমুক হন্না হায়রকই, "মেজিষ্ট্রেট দিনানাথতো কমাই তৌখিবনো? মদুগী মতাংদা নঙ খঙবরা? করিগুম্বা মতমদা ৱেদ্যজিদা হংউ। থা মরী শিবপালগঞ্জদা লাক্তুনা লৈখিবনি। কনাগুম্বা অমত্তনা লুপা অমা ফাওবা পীখিদবনি। নোংমদি ৱাফম অমগীদমক য়াম্না শাওখিবনি। উকিল অনী-অহুমসু মমাংদা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক্না হায়রকই মদুদি করিগী ৱাহৌনো? কনাগুম্বা খরদি চমন্নবা অমগা লোয়ননা খল্লম্বা য়াই মদুদি ঐ শেল থেংদ্রে হায়না? করিগুম্বা অসিগুম্বা ৱাফম ওইরবদি ওফিস অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমদা লাউথোকখ্রো মদুদি ঐ পৈশা চাই হায়না। কনাগুম্বা অমত্তদা চমন্নবা লৈতনবা!"

তুমিন্না লৈরবসু ফাগী তৌবা মাল্লি। মহাক্কী মচিন অদু পুকচেল শেংবা ওইনা উই। মহাক শেল চাবা পামদ্রে হায়বদু থাজখি। অদুবু তুংদা অচৌ-অশাংগী মীওইশিং খরা লাকখি, ৱেদ্যজি মশামক্লা মফম মরী-মঙাদা হায়খি, মতম অদুদা মীওই খরা ৱানোম্বগী মহুৎতা দাইরেক্ট মহাক্কী মনাক্তা শেল ওইনা পুদুনা লাক্লখি।

"শেল চাবা হায়বসিসু হৌজিক্তি য়ামনা ফত্রবা থবক অমনি। মদুদা অফবা অমত্তা লৈতে। শেল পীরিবা অমদি লৌরিবা অনীমক হৌজিক চপ মান্নরে হায়বদুনি। পুম্নমক্কী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে।"

মহাক্কী থবক অদু থংনবদা লৈবা দুকানদা ৱাজাউ য়াম্না ঙাঙনখিবদগী তোকখিবনি। কনা অমা হায়, 'ফজনা কল্লে! ফজনা কল্লে! অদুবু ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্তি চৈনা ফজনা কল্লে হায়বা ওইরমলে।'

'করম্বা ৱাফমগীনো?', 'করম্বা ৱাফমগীনো?' হংল-হংলদুনা দুকান অদুদা চোংশিন্নখি। মীয়ামদা নুপা অমনদি ৱাফম অদুগী হৌরকফম বর্ফি হাপ্লিবা প্লেট অমগী ৱাহৌদা থোকখিবগুম উহনখি। মহাক্না মফম অদুদগী বর্ফি মখুৎতা পায়রদুনা লাওরদুনা হায়, "করম্বা ৱাফমনো?" ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থীগৎলুবদা কনা অমনা লদুগী মতাংদা নৎত্রগা কনা অমনা বর্ফিগী মতাংদা তোঙান-তোঙান্না লান্না লৌনখি। অদুবু করিসু লৈতবা ৱাফম অদুদা ইরাং অমা চাওনা থোকখিবা হায়বদু ওইখি।

ইখঙ খঙহৌদনা সিফাই অনী-অহুম মফম অদুদা লাক্লম্মী। তিল্লিবা মীয়াম অদুবু পেটি শৎতোক্লগা য়াম্না ফজনা ৱাখল চাওনা অফবা মখলগী মওংদা কোইতান তান্নরদুনা লাংলম্বা-খৎনরম্বা অদু কন্ট্রোল তৌখি। তিল্লম্বা অদু কায়-কায়দুনা চেনখি। মরুওইনা দুকান অদুগী মপু অদু মনগনদা কন্থখিবা পেটিগী চৈনা অদু খাঙলদুনা মখুৎনা মনগন নাল-নালদুনা কপ্লম্মী। মায়কৈ অমরোমদনা পিক্তু শাফবা, জোগনাথ অমসুং সনিচর লেপ্তুনা লৈরম্মী। রুপ্পন অমসুং রঙ্গনাথসু মখোয়গী মনাক্তা লাক্তুনা লেপ্লরে। ষ্টেজ অমা শেমখ্রে।

সিফাই অমনা হংলকই, "হায়যু করম হায়না থোকখিবা থৌদোকনো? মহাক্না মনগনদা মখুৎনা নাল্লিবা অদু উরগা মহাক্কী মনগনদা এটোম বোম্না লান্দারকখিবা মাল্লি।"

দুকান মপু অদু কপ্পা তোকখ্রে অদুগা মীয়াম মাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়রকই, "থৌদোক অদু থোকখ্রবসু হৌজিক থৌদোক অদুগী মতাংদা ঐখোয় করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়রোই।"

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা